# লৈবাক শীন থুংনা প্রোটেষ্ট চথরিঙৈ মরক্তা ফাখিবা মীওই অনী ইরানগী ওথোরিটিশিংনা হাৎখ্রে

টেহরান, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):

লৈবাক শীন থুংনা চথরিবা প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরিঙৈ মরক্তা ইরান্না থাংজ নুমিত্তা করাটি চেম্পিয়ন অমা অমসুং অঙাংশিংগী ভোলুন্টিয়র কোচ অমা হাৎখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

মোহমদ মেহদি করামি অমসুং সেয়দ মোহমদ হুসেনি কৌবা মীওই অনী অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা মঙকশমদা থৌরি থুরগা হাৎখিবনি। ষ্টেটনা চল্লাইবা ফার ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি, মশাগী চহী ২২ শুরবী কুর্দিষ্ট ইরানিয়ন নুপী মহাশা অমেনিবু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৬ তা মোরেল্লি পুলিসনা কষ্টদিদা শিহনখিবদগী ইরান শীন থুংনা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা শিবগী চৈরাক পীখিবা অপুনবা মী মশিং অসি মরি শুরে।

ইরানগী জুদিসরি ন্যুজ এজেন্সি নিজানগী মতুংইন্না হৌখিবা চহীদা চথুখিবা এন্টি-রেজিম প্রোটেষ্টশিংদা শরুক য়াখিবনি হায়বা মীওই অনী অদু হৌখিবা নবেম্বর ৩ দা করাচদা লৈবাক অসিগী বাসিস পেরা মিলিটরি ফোর্সকী মেম্বর অমা ওইরিবা সায়েদ রাহুলা অজমিয়ন হাৎখিবগী মরালদা কনভিক্ট তৌখিবনি।

করামিগী উকিল মোহমদ হুসেন অঘাসিনা থাংজ নুমিত্তা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়রকখি, মদুদি করানিবু হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক ইমুং মনুংদা ৱা ঙাঙবা য়াবগী অরোইবা রাইটসশিং ফাওবা পীখি।

উকিল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ওফিসলশিংনা অগাসিবু মহাকপু রিপ্রজেন্ট তৌহন্দবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবগী মওং অমা ওইনা করামিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা দ্রাই ফুদ হঙ্গর ষ্ট্রাইক চথবা হৌখি।

ইরানিয়ন ওফিসলশিংগী ষ্টেটমেন্টশিং অমদি সি এন এন অমদি টাজ বিরনা রিভিয়ু তৌখিবা ইরানিয়ন রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না হৌখিবা থা খরা অসিগী মনুংদা অহেনবা প্রোটেষ্টর ৪১ শিবগী চৈরাক পীখ্রে।

চৈরকসিদা য়ুএন ওফিস ফোর ড হাই কম্মিস্সার ফোর হ্যুমেন রাইটস (ও ঐচ সি ঐচ আর) অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) না ইরানদা মীওই অনী অদু হেঙ তৌখিবা মতুংদা শিবগী চৈরাক পীদুনা মী হাৎপগী থবক পুম্নমক লেপ্পনবা তকশিনখ্রে। ইনৌ নৌনা প্রোটেষ্টর অনী হাৎলিবসি ঐখোয়না অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌই।



মখোয় অনীমক নমদুনা মরাল য়াহল্লগা মওং মরিল তাদনা ৱায়েল চথরগা শিবগী চৈরাক পীরগা হাৎখিবনি হায়বা ও ঐচ সি ঐচ আরনা থাংজ নুমিত্তা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখি।

ইয়ুনা থাংজ নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি মীওই কয়াবু মরাল কয়া শীজিন্দুনা হাত্তোকপগী থৌওং অসিনা মখোয়বু অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোকহল্লে। মমাঙদা প্রোটেষ্টর কয়া হাৎখ্রবা মতুংদা ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা মখা তানা সিভিলিয়ন দিমোন্সট্রেসনশিং মীশিমীনা থোকহন্দুনা নমথবগী থৌওং লেপ্তুনা চথরল্লি।

নোর্ৱেদা বেজ তৌবা নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসন ইরান হ্যুমেন রাইটস (আই ঐচ আর) নসু মীহাৎ অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংগী থৌওং অসিদা মতিক চাবা রেস্পোন্স উৎতবা তারবদি লাক্লিবা নুমিৎশিং অসিদদি মশিং য়াম্লবা প্রোটেষ্টশিং হাৎলক্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

# পাকিষ্টানদা অতাবা মমলদা য়াম লৈনবা ক্ল্যু লেপ্পদা ইন্নবা অমদি নেৎশিন্নবদগী নুপা অমা শিখ্রে

ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী সিন্দ প্রোভিন্সকী মিরপুর খাষ্টতা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা দুকানদা সবসিদাইস তৌবা য়াম লৈননবগীদমক ক্ল্যু লেপ্পদা ইন্নবা অমদি নেৎশিন্নবদগী মশাগী চহী ৪৫ শুরবা অঙাং তরুক্কী মপা অমা লৈখিদ্রে হায়রি। ষ্টোক্তা য়াম মরাং কায়না লৈরক্তবদগী গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা দুকান অদুদা অমগা অমগা পোৎ ফংনবা হোৎনবদা ইন্নবা অমদি নেৎশিন্নবদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মার্কেটতা সবসিদাইস তৌবা য়ামগী ষ্টোক কা হেন্না হন্থরকপদগী পাকিষ্টানদা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা য়ামগী মমল ৱাংলকখিবনি। ক্রাইসিস অদুগী মরু ওইবা মরমদি ফুদ দিপার্টমেন্ট অমদি য়ামগী মিলশিংগী মরক্তা মওং মরিল তাবা মেনেজমেন্টগী ফিভম লৈতবা অমদি পঞ্জাবতগী লাকপা গেহু সপ্লাই হান্নদগী কা হেন্না হন্থরকপা অসিনি। য়ামগী মমলশিং রেকোর্দ ওইবা মওংদা ৱাংখৎলকপদগী পাকিষ্টান শীন থুংনা য়ামগী ক্রাইসিস কনশিল্লক্লি। সিটিজনশিংনা তঙাই ফদনা সবসিদাইস তৌবা য়াম লৈনবদগীদমক দেজিগনেটেদ ষ্টোরশিংদা ক্ল্যু শাংনা শাংনা লেপ্প রি। অহোংবা মমলদা য়াম ফঙননবা হোৎনরুবদা মিরপুর খাষ্টতা মীওই অমগী পুন্সি লোমখিবনি হায়রি।



মফম অদুদা লৈরিবা ফিভম অদু পাকিষ্টানগী অতৈ মফমশিংদসু মান্ননা লৈবা উরি। লৈবাক অসিগী লমদম খুদিংমক শাথিরবা য়াম ফঙদবগী ক্রাইসিস মায়োক্লরি। লাহোর সিটিদা হৌজিক কেজি ১৫ গী য়ামগী বেগ অমদা লুপা ২০৫০ দা য়োল্লি। হেনগৎলিবা চাং অসি লুপা ১৫০ নি। হৌজিক ফাওবদা শুপ্নগী চয়োল অনীগী মনুংদা কেজি ১৫ গী য়ামগী বেগ অমগী মমল লুপা ৩০০-৩০০ হেনগৎপা উখি।

অফোঙবা মার্কেটতা য়ামগী মমলশিংদা অহোংবা লৈত্রবসু অসুম্না মফম কয়াদা তঙাই ফদনা চঙবা পোৎলম অসিগী মমল ৱাংখৎলকখিবনি হায়রি।

পাকিষ্টানগী নুমিৎ খুদিংগী ইংলিসতা ফোঙবা পাউচে ডফ্রন্টিয়র পোষ্টকী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা কেজি ২০ গী য়ামগী বেগ অমদা লুপা ৩০০০ য়ৌদুনা মমাঙগী য়ামগী মমলগী রেকোর্দশিং থুগায়খি। ব্যুরো ওফ ষ্টেটিষ্টিক্কী রিপোর্ট মতুং ইন্না করাচিদা হৌখিবা চয়োল অমগী মতমদা য়াম কেজি ২০ গী খাও অমগী মমল লুপা ৪০০ হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা কেজি অমদা ১৫০ ফাওবদা য়োল্লি।

# রসিয়াগী খৃষ্টমাস সিজ ফায়র লৈনা লৈনা য়ুক্রেনদা চথুখিবা এটেক্তা মীওই অনী শিখ্রে

কিভ, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):

রসিয়াগী লুচিংবা ব্লাদিমির পুটিননা মহাক্কী ফোর্সশিংদা ওর্থোদোক্স খৃষ্টমাসতা এটেক চথবা লেপ্পনবা ওর্দর তৌখিবা লৈনা লৈনা রসিয়ন ফোর্সশিংগী এটেক্তা য়ুক্রেনিয়ন অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ মাপন অশোক অপন নঙলে হায়না কিভনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টগী ওফিসকী দিপ্যুটি হেদ কিরিলো টিমোসেনকোনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা রসিয়ানা অরৈবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা অকন অরিংশীংবগী থৌওং চথরকপা অসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা পুং ২৪ গী মতমদা ইষ্টর্ন রিজন দোনেটসতা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ নিপান অশোক অপন নঙখ্রে।



টিমোসেনকোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অৱাং নোংপোক থংবা লমদম খর্কিপতা মখা তানা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা খা থংবা লমদম খের্সোনদা মান্নবা মতমদা অতোপ্পা মীওই অমা অশোক অপন নঙখি।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মতমদা রসিয়ন ওক্যুপায়রশিংনা সিজ ফায়র লাউথোকখিবা লৈনা লৈনা রসিয়ন ফোর্সশিংনা রোকেট লোঞ্চর কয়াদগী মিসাইল মাপন কাপ্লকখিবগা লোয়ননা এয়র ষ্ট্রাইক অহুম চথরকখি অমদি সেল ৪০ রোমসু কাপশিল্লকখি হায়না য়ুক্রেনগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারদুনা রসিয়াগী এটেকশিং অদুদা সিভিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা শোকখি হায়না পনখি। ওর্থোদোক্স খৃষ্টানশিংবু খৃষ্টমাস সেলেব্রেসনদা শরুক য়াহন্নবগীদমক্তা পুটিননা পুং ৩৬ কী সিজ ফায়র অমা ওর্দর তৌখিবনি।

ওর্থোদোক্স খৃষ্টানশিংগী ওইবা খৃষ্টমাসকী কুম্মৈ রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনদা জনুৱারী ৭ তা পাঙথোক্লিবনি। য়ুনিলেটরেল সিজ ফায়র অদু কিভতা লোকেল মতমদা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১১ দা লোইশিনখি। কিভ অমসুং জর্নেলিষ্ট খরনা ফোঙদোরকখিবা মতুং ইন্না থাংজ নুমিত্তা লান লেপখি হায়বগী খুদম চাংদম ইরৈ লৈখিদে।

দোনেটস রিজনেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেদ পাবরো কিরিলেনকোনা ফোঙদোকখিবদা নোংয়াই মতুংদা য়েক্লবনা করা মার্টোক্সতা রোকেট এটেক তরেৎ অমদি কোষ্টিয়ান টিনিস্কাদা রোকেট এটেক অনী চথরকখি। রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী লান লেপ্লি হায়না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোরকখিবা লৈরবসু য়ুক্রেননা চথরকপা এটেক কয়া হলহনখিবগা লোয়ননা য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপ কয়া হাৎখি হায়নসু পনখি।

# টি টি পিনা হৌজিকসু সিজ ফায়রগী ৱাফম য়ানিংদবা লৈতে

পেসৱার, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):



অথিংবা থমখ্রবা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) গী লূচিংবা মুফতি নুর ৱালি মেহসুদনা মহাক্কী আউটফিটনা হৌজিকসু পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টদা সিজ ফায়রগী য়ানবা পুরকপগী ৱাফম খন্নবা পান্মী হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে।

মেহসুদনা মেসেজ অমদা হায়খি, মদুদি ইস্লামিক ইমিরেটস ওফ অফঘানিষ্টান্না ৱাতেমদুনা ঐখোয়গা পাকিষ্টানগা ৱারী শানখি। ঐখোয় হৌজিকসু সিজ ফায়রগী য়ানবা পুরকপগী ৱাফম অসিদা য়ানিংদবা লৈতে। মমাঙদা তৌখিবগুম টি টি পিনা লাইনিং লাইশোলগী স্কোল্লারশিংদগী গাইদেন্স লৌননবসু হোৎনখি হায়বা ৱাফমসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

জনুৱারী ৪ দা টি টি পিগী সুপ্রিম কাউন্সিলনা টি টি পিগী চীফ উন্নবগী মতাংদা অনৌবা দিরেক্তিব অমা ইস্যু তৌখি। মখা তাবা ওর্দরশিং থোক্ত্রিবা ফাওবা কাউন্সিলনা টি টি পিগী চীফকা উন্নবা অসি সেক্যুরিটিনা মরম ওইরগা অথিংবা থল্লে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা অনৌবা দিরেক্তিব অদু ইস্যু তৌখিবনি।

কুমজা ২০২২ গী নবেম্বর ২৮ দা অথিংবা থমখ্রবা আউটফিট অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা গভর্ণমেন্টগা কুমজা ২০২২ গী জুনদা য়ানখিবা সিজ ফায়র কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা গ্রুপ অসিগী মিলিটেন্টশিংদা লৈবাক শীন থুংনা এটেক কয়া চথনবা ওর্দর তৌখি।

পাকিষ্টানদা টেররিষ্ট এটেকশিং হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা লৈবাক অসিগী সিভিল অমসুং মিলিটরি লিদরশিপনা অথিংবা থমখ্রবা টি টি পিবু লাকশিন্নবা মরু ওইবা পোলিসি রিভিয়ু অমা চথরিবনি। টি টি পিগী মিলিটেন্টশিংনা পাকিষ্টানদা এটেক চথবা হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা শীজিন্নখিবা ষ্ট্রেটেজি অমুক হন্না শীজিন্ননবা হোৎনরকখি।

ওফিসল ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না হৌজিক গ্রুপ অসি থেংননবা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টগী টোপ ওফিসলশিং তুমিন্না খন্ন-নৈনরি। মরু ওইবা ৱারেপ কয়া মথংগী চয়োল খরগী মনুংদা লৌরকপা য়াই হায়না থাজরি।

# বোর্দর অমুক হাংবদগী মেনলেন্দ অমসুং হোংকোংগী মরক্তা চথোক চৎশিন হৌখ্রে

হোংকোং, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):

সেঞ্জেন অমদি হোংকোং শম্ন হল্লিবা তোঙান তোঙানবা কন্ট্রোল পোইন্টশিং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা অমুক হন্না হাংখিবগা লোয়ননা চাইনিজ মেনলেন্দ অমদি হোংকোংগী মরক্তা মহৌশাগুম চথোক চৎশিন হৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, সেঞ্জেন-হোংকোংগী বাউন্দরি কন্ট্রোল পোইন্টশিং হাংদোকখিবা অসি হৌখিবা চহী অহুমগী মনুংদা মেনলেন্দ অমসুং হোংকোংগী মরক্তা মহৌশাগী পর্সনেল একচেঞ্জশিং চথবা হৌবগী অহানবা খোঙথাংনি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা লোক মা চাও স্পর লাইন কন্ট্রোল পোইন্ট য়েংশিল্লবা মতুংদা চাইনাগী হোংকোং স্পিসল এদমিনিষ্ট্রেটিব রিজন (ঐচ কে এস এ আর) গী চীফ একজিক্যুটিব জোন লিনা হায়খি, মদুদি মতম কুইনা থিংজিল্লুরবা বোর্দর অমুক হন্না হাংবগী অহৌবা নুমিৎকী ওপরেসন পুম্বা সেফ ওইনা অমসুং মওং মরিল তানা চথুখি।

লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা লোক মা চাও কন্ট্রোল পোইন্টদা মেনলেন্দদা চঙবা পাম্বা মীওইশিং পুন্দুনা ঙাইরগা লৈবা উখি।



ঐচ কে এস এ আর গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ খুদিংগী কোটা ওইনা হোংকোংগী রেসিদেন্ট ৬০,০০০ মেনলেন্দদা চঙবা য়াহল্লি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই ৫০,০০০ দি লেন্দ কন্ট্রোল পোইন্ট অহুম হায়বদি সেঞ্জেন বে, মানকামটো অমসুং লোক মা চাও স্পর লাইন শীজিন্নরগা চঙগদবনি।

ৱাৎহৌরিবা মীওই লিশিং তরাগী কোটা অদুনা ফেরি টর্মিনেলশিং, হোংকোং ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট অমসুং হোংকোং-জুহাই-মকাও ব্রিদজ শীজিন্নরগা মেনলেন্দদা চঙগদবনি। হোংকোংদা থবক তৌবা ৱাং পেংজুন কৌবা সাংহাইগী রেসিদেন্ট অমা কোভিদ ১৯ পেনদামিক হৌখিবদগী চহী অহুমরোম মেনলেন্দদা হনখিদে।

মহাক নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা লোক মা চাও ষ্টেসন য়ৌগদবা অহানবা মেট্রো ট্রেন তোংখি। ষ্টেসন অদুদগী মহাক মেনলেন্দদা য়ৌদুনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগা পুনগদৌরিবনি।

ঐচ কে এস এ আর গভর্ণমেন্ট অমসুং মেনলেন্দগী ওথোরিটিশিংনা হোৎনরক্লিবা অদুবু ৱাংনা থাগৎখি অমদি অসুম্না হোৎনবীরকপা অদুনা মীয়াম্না মতম শাংনা নীংজরকপা অপাম্বশিং থুংহল্লে হায়না ৱাংনা ফোঙদোকখি।

হোংকোংদা চৎপা পাম্বা মেনলেন্দগী রেসিদেন্টশিংগী ওইনসু নুমিৎ খুদিংগী কোটা ওইনা মীওই ৫০ লেন্দ কন্ট্রোল পোইন্ট অহুমদগী চৎপা য়াহল্লি। সেঞ্জেনগী সেকৌ পোর্ট অমসুং ফুওং ফেরি টর্মিনেল অসি টিকেটিং মেকানিজমগী খুত্থাংদা কন্ট্রোল তৌই অমসুং লেন্দ কন্ট্রোল পোইন্টশিংগী খুত্থাংদা রিজর্বেসন সিষ্টেমদা মপানদা চৎকদবা পেসেঞ্জরশিং নুমিৎ খুদিংগী চৎপা য়াহল্লি।

সেঞ্জেন অমসুং হোংকোংনা বোর্দর নৌনা অমুক হাংলিবদুগী অহানবা ফেজ চয়োল অমগী মনুংদা রিভিয়ু তৌগনি।

# পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা মী চিনবা হন্থনবা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাদা বস কয়া পীদুনা মতেং পাঙখ্রে

কলম্বো, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কাদা মরু ওইনা হৌজিক থোক্লিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অমসুং ফ্যুএল ফঙদবগী প্রোব্লেম্না মরম ওইদুনা পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা মী চিনবগী ফিভম হন্থহন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়ানা ঈথৎ লৈবাক অসিদা বস ৭৫ শিন্নখ্রে।

বসশিং অদু ন্যু দিল্লিনা কলম্বোদা পীগদবা অপুনবা বস মশিং ৫০০ গী মনুংদা অহানবা পীবা বসশিংগী মশিংনি। বসশিং অদু শ্রী লঙ্কাদা লৈবা ইন্দিয়া হাই কম্মিস্নর গোপাল বাগ্লেনা অখন্নবা থৌরম অমদা শ্রী লঙ্কাগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা শিন্নখি।

গাড়ীশিং অদু ঈথৎ লৈবাক অদুগী পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমদা য়াওরগনি। 'সপোর্টিং মোবিলিটি এন্দ এক্সেসিবিলিটি ইন শ্রী লঙ্কা' হায়না মমিং থোনখিবা থৌরম অমদা হাই কম্মিস্নরনা বস ৭৫ অদু ট্রান্সপোর্ট বোর্দনা শীজিন্ননবগীদমক মিনিষ্টরদা শীন্নখি।

কলম্বোদা লৈবা ইন্দিয়ন হাই কম্মিস্নরনা থাংজ নুমিত্তা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি শ্রী লঙ্কাগী পব্লিক ট্রান্সপোর্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্ননবা ইন্দিয়ানা পীবা মতেংশিংগী শরুক অমা ওইনা বস ৫০০ ঈথৎ লৈবাক অসিদা পীগদৌরিবনি। কুমজা ২০২৩ গী ফেব্রুৱারী ৪ দা তারিবা শ্রী লঙ্কাগী ৭৫ শুবা নিংতম নুমিৎকা মরী লৈননা ঈথৎ লৈবাক অসিদা অশোক লেলেন্দনা শাবা অনৌবা বস ৭৫ অদু পীখিবনি। মসিগী মতুংদা কুমজা ২০২৩ গী মনুংদা অতোপ্পা বস ৪২৫ ইন্দিয়ানা কলম্বোদা শীন্নদুনা শ্রী লঙ্কা ট্রান্সপোর্ট বোর্দ (এস এল টি বি) না শীজিন্নরগনি।

শ্রী লঙ্কাগী ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱে মিনিষ্টর বন্দুলা গুনাৱার্দেনানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ান ক্রেদিট লাইনগী মখাদা পীরক্লিবা বস ৭৫ অদু ঈথৎ লৈবাক অসিগী ভিলেজ লেভেলগী লম্বীশিংগী কন্দিসনগা চান্নবা মওংদা শাবনি। বসশিং অসি অৱাং অমসুং নোংপোক য়াওবা লৈবাক অসিগী রিপ্রজেন্ট তৌরিবা দিপোশিংদা এলোকেসন তৌখি। কুমজা ২০২৩ দা ঐখোয়না অনৌবা বস ৫০০ চহী অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা ওপরেট তৌননবা থৌরাং তৌখি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নিংতম্লবা ফঙলবা মতুংদা খ্বাইদগী শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিস মায়োক্লরক্লিবা শ্রী লঙ্কান কয়ানা প্রাইভেট ট্রান্সপোর্ট শীজিন্নরম্বদগী ফ্যুএলগী মমল শরুক অনী নত্ত্রগা অহুম হেনগৎলকপগা লোয়ননা ক্বাটাদা ওইনা পীরকপদগী পব্লিক ট্রান্সপোর্ট মরু ওইনা বসশিং শীজিন্নরক্লিবনি। হৌখিবা চহীগী জুনদা ফ্যুএল ৱাৎপনা মরম ওইদুনা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট চয়োল অনী লেপখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং অমদি স্কুলশিং থোংলোন্নদুনা লৈবাক পুম্বা থবক লেপখিবনি।

# রেকোর্দ ওইবা মওংদা নোংমদা কোভিদ পেসেন্ট ৪৬৩ শিখ্রে

টোকিও, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):

জপানদা কোরোনা ভাইরসকা মরী লৈননা নোংমা খক্কী মনুংদা শিখিবা মী মশিং ৪৬৩ য়ৌদুনা রেকোর্দ ওইনা ৱাংখি হায়না থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অসিগী হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

জপান টুদেগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাক অসিদা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা কেস ২৩৮,৬৫৪ রিপোর্ট তৌদুনা ইরাই নুমিত্তগী ৬,৮৮৮ হন্থখি। টোকিওনা অনৌবা কেস ১৯,৬৩০ দিটেক তৌদুনা ইরাই নুমিত্তগী ১,০৯০ হন্থখি। টোকিওদা অকনবা লাইওংশিংগা লোয়ননা হোস্পিটলাইজ তৌখিবা কোভিদনা শোক্লবা মীওইশিংগী মশিং ৫৫ ওইদুনা ইরাই নুমিত্তদগী অনী হেনগৎখি।



লৈবাক শীন থুংনা ইনফেক্সন লৈরবা মীগী মশিং মতম অসিদা ৬৬৮ ওইদুনা ইরাই নুমিত্তগী ৯ হেনগৎখি। জপানদা ইরাই নুমিত্তা কোভিদকা মরী লৈননা মীওই ৪৫৬ শিখি। লৈবাক অসিদা শুপ্নগী থা অমখক্কী মনুংদা মীওই লিশিং কয়া শিহনখিবা ভাইরস অসিবু ইফেক্তিব ওইনা থিংবা ঙমদবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা নোংমদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা মী মশিং য়াম্না শিরক্লিবনি হায়রি।

কোভিদকা মরী লৈনবা ইনফেক্সন অমসুং লায়না অসিগা মরী লৈননা মী শিবা ন্যু ইয়রগী কুম্মৈশিং লাকপগা লোয়ননা হেনগৎলক্কনি হায়বগী অকিবা লৈখিবনি। কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদা জপানদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা কোভিদনা মরম ওইদুনা মীওই ৭,৬৮৮ শিদুনা মমাঙগী কোরোনা ভাইরস লাইচৎ মনুং ওগষ্ট থাদা থা অমগী ওইনা শিখিবা মশিং ৭,৩২৯ দগী হেনখি।

মাইনিজি জপানগী মতুং ইন্না নিপানশুবা ৱেব লাকখিবগা লোয়ননা জপানদা হৌখিবা নবেম্বরদগী লায়না অসিনা মী শিহনবগী চাং হেনগৎলকখি।

হৌখিবা থা অহুমগী মতমদা জপানদা কোভিদ ১৯ না মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং অসি মমাঙগী চহী মান্নবা মতমদা শিখিবা মী মশিংদগী শরুক ১৬ রোম হেনগৎলকখি। চহী অসিগী ওগষ্ট ৩১ দগী দিসেম্বর ২৭ ফাওবগী থা মরিরোমগী মতমদা শিখিবা মীওইশিংগী মনুংদা মশাগী চহী ৮০ হেল্লবা মীওইশিংনা চাদা ৪০.৮ রিপ্রজেন্ট তৌখি।

# চাইনাগী কোভিদ এন্টিজেন কিদ ফিক্তরিদা প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্নখ্রে

সাংহাই, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সেন্ট্রেল চাইনাদা লৈবা কোভিদ ১৯ এন্টিজেন কিটশিং শাবা ফেক্তরি অমদা মীওই চা কয়ানা দিমোন্সট্রেসন চথুখিবগা লোয়ননা প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসকা খুৎ থোক্নখ্রে হায়বসি সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংনা উৎখ্রে।

ওনলাইন য়ুজরশিংনা ফোঙদোকখিবদা প্রোটেষ্ট অদু সেন্ট্রেল ম্যুনিসিপালিটি চোংকিংদা লৈবা মেন্যুফেকচরর জাইবিওনা ৱার্কর কয়া থবক লৌথোকখিবা অমদি ৱার্করশিংগী খুৎশুমলশিংগী মতাংদা য়ানদবগা মরী লৈনৈ।

এজেন্সিশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা জাইবিওদগী খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদ্রবসু জিও লোকেসনগী খুত্থাংদা ইরাং অদু ভেরিফাই তৌবা ঙমখি। ভিদিও খরদি কম্পেনি অদুগী চোংকোংদা লৈবা ফেক্তরিদা নমখিবনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। ভিদিও অমদা মীয়াম্না রাইওট সিল্ডশিং পুরিবা পুলিস কাঙবু অমদা ট্রাফিক কোনশিং, বোক্সশিং অমসুং ষ্টুলশিং লংশিনবা উখি। ত্বিটর অমসুং দৌয়িনগুম্বা সোসল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা থাগৎপা অতোপ্পা ভিদিওদা প্রোটেষ্টর কয়ানা ঐখোয়গী পৈশা হন্দোরকউ হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউবা উখি। মীওই চা কয়ানা দিমোন্সট্রেসনশিং অদুদা য়াওশিনখি।

জাইবিওগী হেদ ক্বার্টর্সতা ফোন তৌবদা পায়রকখিবা মীওই অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা থৌদোক অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট অমত্তা পীয়ু য়াখিদে। কম্পেনি অদুদা থাখিবা ইমেলশিংসু খুদক্তা পাউখুম পীরকখিদে। চাইনাদা অসুম্না ৱার্করশিং অমদি মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌবসু হেক হেক থোক্তুনা লাক্লি। চহী কয়া মীয়াম্না শেল থুমগী স্কামশিং নত্ত্রগা লেবরগী ওইবা য়েৎনবশিংগুম্বা ইস্যু কয়াগী মতাংদা দিমোন্সট্রেসন চথুদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং সেন্ট্রেল চাইনাগী আই ফোন ফেক্তরিদা ৱার্করশিংনা কন্না ইরাং তৌখিবা য়াওনা হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা পরিংনাইনা প্রোটেষ্ট কয়া চথরকপদগী চাইনিজ ওথোরিটিশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরকখি।

কোভিদ ১৯ গী অথিংবশিংগী মায়োক্তসু চাইনাগী সিটিশিং অমদি টোপ য়ুনিভর্সিটিশিংদা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথুখিবনি।

# গনমেনশিংনা ট্রেন ষ্টেসনদা এটেক তৌদুনা পেসেঞ্জর কয়া কিদনেপ তৌখ্রে

অবুজা, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):

নাইজেরিয়াগী খা থংবা ষ্টেট ইদোদা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা ট্রেন ষ্টেসন অমদা এটেক তৌদুনা পেসেঞ্জর কয়া কিদনেপ তৌখ্রবা মতুংদা খুৎলায় পায়বশিং অদুবু খোঙ্গুল লীবগী অচৌবা ওপরেসন অমা হৌখ্রে হায়না পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইদোদা পুলিস স্পোক্সমেন সিদি নৱাবুজোরনা টেলিফোনগী খুত্থাংদা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ইগোবেন ট্রেন ষ্টেসনদা খুৎলায় পায়দুনা থোমজিল্লগা কিদনেপ তৌখিবা পেসেঞ্জরশিংগী মশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পুলিসনা চপ চানা লেপ্পা ঙমদ্রি। পেসেঞ্জরশিংনা য়ুমথংনরিবা দেল্টা ষ্টেটকী সিটি ৱারিদা চৎননবা ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা মশক খঙদবা গনমেনশিং অদু টর্মিনেলদা চঙশিল্লকখি অমদি মখোয়না নোংথক্তা নোংমৈ কাপ্পা হৌখি।

নৱাবুজোরগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা মখা তানা হায়রি, মদুদি পেসেঞ্জর খরদি অশোক অপন নঙখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় ক্রিমিনেলশিং অদুনা পুখিদে। গনমেনশিং অদু মফম অদুদগী য়াম্না থুনা চেনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পুলিস স্পোক্সমেন অসিগী মতুং ইন্না কিদনেপ তৌখিবা পেসেঞ্জরশিং অদুবু কনবগা লোয়ননা গনমেনশিং অদুবু ফাননবগীদমক্তা পুলিসনা মখোয়না থীবা অমদি খোঙ্গুল লীবগী অচৌবা ওপরেসন অমা চথবা হৌখ্রে।


# ম্যান্মারদা গাড়ী মথক মখা ওনবদা মীওই মঙা শিখ্রে

নেপিটো, জনুৱারী ৮ (এজেন্সী):

ম্যান্মারগী কেপিটেল নেপিটোদা চাকা তরুক্কী গাড়ী অমা মথক মখা ওনখিবগী থৌদোক্তা নুপী মঙা শিখ্রে অতৈ ২৩ না অশোক অপন নঙখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এক্সিদেন্ট অদু নেপিটোগী য়েজিন এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগা নক্না অরিবা য়াঙ্গোন-মন্দলেগী হায়ৱেদা থোকখিবনি। গাড়ী অদুগী য়েৎ থংবা ফ্রন্ট টায়র পোকখায়রকপদগী গাড়ী অদু লম্বীদগী খঙহৌদনা হাইদোকখিবগা লোয়ননা হায়ৱে অদুদা মথক মখা ওনখিবনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদুদা নুপী মঙা থৌদোক থোকফম অদুদা শিখি। এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবা মতমদা গাড়ী অদুদা মীওই ৩০ রোম তোংখি। টাকোন টাউন মায়কৈদগী লাকখিবা গাড়ী অদু পিনমানা টাউন তম্না থৌরকপদা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি। অশোকপশিংদুগী মনুংদা নুপা তরা অতৈ নুপী ১৩ য়াওখি। মখোয় লোইনমক মেদিকেল ট্রিটমেন্টগীদমক হোস্পিটাল অমদা পুখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।




রেস্ক্যু ৱার্কর অমনা ফোঙদোরকখিবদা অশোকপা মীওইশিং অদু খদাং, কোক অমসুং থবাক্তা শোক্লবশিংনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী ফিভম থোইদোক্না লুবা ওইদে। পুলিসনা দ্রাইভর অদুগী মায়োক্তা চেকশিন্দনা গাড়ী থৌবগী কেস অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি।